> “মী উদ্রবসু অমম্বদা ইকাইয়ু
> নুংগী মিৎস্নানদি ঙম্নমক উবনি।” - **ইরোম শর্মিলা**

শৈরেং

## ‘মঙদা ইন্টরনেট হাংলে তৌরম্মী’

**—তোংব্রম অমরজিৎ**

মণিপুর চাওখৎ লম্বেলদা চৎলম্লবনি
লানসিনা মরম ওইদুনা মে তদগী
ঙসিদি মনীং হল্লে শাথীবা লম্বেল অমদা
অপীকপা থম্মোয়, কাঙলুপ নাইবা ৱাখলনা
লান্দারকখিবদা লেপ্পা লৈতনা মীচমদা,
খূৎলায় পায়দবশিংদা, য়েংদুনা তাদুনা লৈঙমদে
মৈতৈ নোংশাশিং তমথীবা ৱারী,
কি তুজুংলবা থৌদোকশিং- খুল কয়া, য়ূম কয়া
মৈনা তুম্না থারকপদা লম্বোইবশিংনা, য়ূমদাংবশিংনা।
খাঙবা ঙমদবগী মৈরিনা কন্না চাক্লি মণিপুর।
লমন খুম্নবদা অৱা চৈথেংনা লাকখৎলিবসিদি
চমজরবা মীয়ামনি, তুশোল্লবা মখোয়দুনি।
লুচিংবশিং লূ থুল্লি চীংমাইশিংদা।
লৈবাক্কী মপি মপাশিংনা লাং থাক্লি
মীয়াম্না মনীং তম্না চৎকদবা লম্বেলদা অচুম্বগী।
লান খাম্বশিং ঙামোক চারি লোইবী নাপোমদগী।
রিলিফ কেম্পশিংদা তূমদনা মঙলাক্লরি
চমজরবা মীয়াম লোইজি লোয়াগী।
মঙদা ইন্টরনেট হাংলে তৌরম্মী।
লানসু ঐখোয়না ঙল্লে তৌরম্মী।
লৌবুকশিংদা লৌ খোইনরম্মী হরাওনা।
লুচিংবা খরদি লৌরিদা লৈরম্মী অহিং নোংয়াইদা।

## ইমা নঙবু নুংশিবী

**—ঙাংবম ইবেতোম্বী**

মীয়োক মীচান ফজবী ইমা মণিপুর
নাওয়োক নাওকোন হৈবীনি ইমা নঙদি
নচা মীচা খায়দবী ইমা
অৱা মৈশা লাংলেদো ঙসিদি
নীংথির নঙগী লোইবী চীংশাং পরেংসে
খাম্বী মৈহৌরক্লে কংলক্লে উরি-উপাল পূম্বা
মপাং কায়নরে শজি শঙাই, উচেক ৱায়া পূম্বা।
পুমচায় চাইরে ঙসিদি ইমাগী লৈকোনসে
অঙৗংবা মালং খোঙদোই হুল্লক্রে
ফজর চীংয়া তময়া অকি শক্তম ওনখ্রে
লায়র নচাশিংগী খাংপোকশঙ
লোইনা তাঙ্গোই ওনখ্রেদো
লোইজরম্বা পোম্বী-চেক্লা, তাওবহুই, ষণবী-ষন্নাও
লোইনা কায়না মৈখু লাংলেদো।
পিরাংনা চোৎলে ইমাগী ঈংল মায়থোঙসে
শল্লাং ইফা ফারেদো
শমজিগী লৈরাং মচোই মচোই তারেদো
অৱা ফিজোলনা লৈতেংখরে
মপারি কায়না মৈনা মৈৱায়রক্লে
অহিং নুংথিল নাইদনা তেংথারক্লে
থেমজিনবীনবা কনা লৈতরে।
লাওনে চীংমী-তম্মী, হিন্দু মুসলিম
ঐখোয় পূম্বা ইমাগী খোল্লাং থক্তুনা
হিংলিবা নৎত্রা ঐখোয় পূম্বা
লেপ্পুরসি খূৎশম্নুনা ইমাগী মাঙদা
উৎলুরসি অপূনবগী পাঙ্গল
তৈথোক্লুরসি ইমাগী পিরাং
মোমোন মীনোক তমহল্লরসি।

## নোং

**—দল্লিয়ু সনায়াইমা**

হো হো ইঙাগী নোং
হৈথরো চুথরক্লো
তাইবঙ থৱায় ওইরিবা নোং
নকুম নথা লাক্লেদা
য়াঙ্গংলবা তুরেলশিং
পাৎ পুখ্রি তু-খোং
লাইজনা মপাল শাহল্লো
ঈশিংনা নিক নিক
মবুক পিক পিক থলহল্লো
থরো থম্বাল থারিকথা
লমঙাল্লরো লৈশাৎ তম
খোইমু খোইরেল গুনগুন
লাক্লো লাক্লো ইঙাগী নোং
নহাক্কী খোঙচৎ কাইবীগনু
তাইবঙ থৱায় য়োকপীয়ু
ইমাগী খোঙচৎনা কায়খ্রদি
তাইবঙ খোঙচৎসু কায়খ্রনি
অচৎ চৎত থৱায় পানবা খুদিং
পূম্নমক্কী শিদ হীদাকনি নোং
নুংশাগী মৈশানা খুইথরবা
উপাল ৱাপাল হৈপাল লৈপাল
মোমোন মোমোন নোকহনবীয়ু
লৌবুক লম্ধাং চীংয়া তময়া
অশংবা চরৈ থোনবীয়ু
মালংবগী শাহুমদা নোম নোম
ফজর জগোয় খূৎথেক
পাৎ তুরেল পুখ্রি
লাইজনা নিক নিক
লেমলৈ ঙানা মরাং হৌহনবীয়ু
মনীং তম্না শান্নজসনু
হো হো ইঙাগী নোং
তাইবঙ থৱায় ওইরিবা নোং
হৈথরো চুথরো মালেমদা
ইমানা য়োকপীয়ু তাইবঙ থৱায়
ইমা নঙনি ইঙাগী নোং।

## পারি নোংশা পাঙ্গনবা

**—ভুম্মী লৈমা**

ইমাই পারি অথৌবা
নমা ঐগীদমক্লি
থৱায়না পোন্থা ওইখিবা
মমাগী মিৎমাং মক্তদা
ঐগী ইতম্বাক মক্তদা
ঈহিং নাহিং মরক্তা
ওন্ন থোইনা খাঙখিবা
ও! করি মতৌনো
চাকখ্রেদকো পাম্মুখ্রেদকো
নুংহিক্লর থম্মোয়না
মৈচাক অদু খাঙখিদা
ইমাই পারি য়োহেনবা
ইমানদি নখোয়বু তুবুম
অমত্তংসু তৎহন্নীংদেদো
ইমানা উইনে নখোয়বু
খোল্লাং মনম কোকত্রিবা
নৱা অঙাংগুম অথৌবা
ইমাগীদি নখোয়দো
ফিজিগী ইরননি ইপারি
পারি ইচা পূম্নমক
ইথাদা চেৎন থাগোনহৌদ্রবোই
থাশেৎননা মুনবীখি
ইচা কায়ন মৈচাক্লা
মীৎকী পিরাং কংদরি
ইমাই পারি য়োহেনবা
নমা ঐগী পিরাংনা
চামথোক্লগে অথৌবা
অনা লায়না কোক্লোকো
খাইন মৈশা লৈরগনু
লৈগী দোলাই মথক্তা
মপু খুয়া য়ৌরোকো
ঈংনা চিক্লা পোত্থা-ও
থৌনা লৈবা পাঙ্গলবা
পুৱারীগী ঈচেল্লক্তা
লাচল্লগে ইমানা।
অরংবা সনাগী মচুনা
মুৎনাইদ্রবা থৱান লিশীংনা
তমজনফম ওইসনু
ইমাই পারি অথৌবা
লিংজেল লৈবা মপারি
পারি নোংশা পাঙ্গলবা।

## করি অমুক লৈরমখিগনি

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

নুমিৎকী মঙালনা লৈথখ্রগা
অমম্বদা উহনবা
অমম্বদা চাক্তাবা
শা-ঙাগী লীচৎ
চৎপা জীবশিংগুম,
মীওইবসু ঙসিদি
ফি থোংদ্রিঙৈগী অঙম-অঙম্বা
শক্তি পুথোক্তুনা অশোনবশিং
নৈহৎপীবা,
মীওইবা শা-ঙাগী
লমচৎ চৎলে।
মথৌনা লৈবনি হায়গদরা
নৎত্রেগা মরৈবাক
মরমদম নুংশিজবনি হায়গদরা?
লোইরে লোইরে
মসিদগী হেনবা
করি অমুক লৈরমখিগনি।

## লৌবুক্কী তেংথাখোল

**—ডা. এ কে ইবোহল**

ইঙা থাদি কুমদল্লে
ইঙেন থাদি কুমখাইরে
ইঙা ইঙেন নুংশি ইরিক্লা
খোইথুম্নহল্লা ঐগী ইতম্বাকসিদা
পোপ্পু লাঙ্গোল থাংদুনা
করিগী লাক্ত্রিবনো ঐগী চান্নথোইরবা
কাওরেল ষণপোৎ নখোইনি।
নখোয় লাকপা ঙাইদুনা
য়েংদুনতা অসুম লৈবদা
উনবী পূক্লিং লৈতাদ্রে
মওল মওল খল্লক্লে
চোৎনা চোৎনা খৌগংলে
খারি লৌবুক ঐহাকসে
থম্মোয়দা চিংনদবা ঙমদেনে।
লাক্লোনে খুঞ্জা লৌরাং শুবশা
চীংজিন মতম য়ৌরক্লে
অকি তুজুং হুন্দোক্লম
চীংন পরৈ থাদোক্লম
লোইমোম ফৌবু থাররো
নতু নামফাও তেক্তনবা
ইমানা চেজেৎ কোনশিল্লগে।

## মেলা

**—ডা. নির্মলা রাজকুমারী**

মিৎয়েং তাবীয়ু
মিৎয়েং তাবীয়ু
মেলা মেলা
অসোম ৱাংমদনা
রোজগর মেলা
সোমদনা
বেরোজগার মেলা।

## অনৈবা লৈনাং

**—আর কে বুধিমন্ত কার্টা**

মালেমদা শোন্নরিবা লৈঙাকপনি নঙদি
নঙগী মগুন্দা ঙাওনরি মালেমদা
করম্বা মতমদা নুমিৎ তাগনি খঙদ্রিবা,
ৱাঙাঙ হৈবা লৈঙাক মপু অথোইবা,
নঙগী মগুন্দা য়াওরি ৱা ঙাঙথোক্তনা
তৌগে খনবা, থবক পাঙথোকপগী মগুন
মথং খনবগী মগুনগা
মগুন অনীনা তোৎশিল্লগা নৈরকপদা
মতু শোন্না হিংজরিবা লেমলৈ ঙানা
করম্না খাঙবা ঙমগনি,
অনৈবা লৈনাং ওল্লবা লাইজনুংদা,
অদুবু নীংশিংবা ফৈ,
মালেম শিন থুংনা নিকহনখিবা
‘অলেকজেন্দর দি গ্রেট’ অপীকপা কাঙ অমনা
চিক্লগা শিখিবনি,
মৈ চাক্লিবা মণিপুরগী ৱাথোকপু
অপীকপা ৱাথোকনি খল্লদি,
ওইরকপসু য়াই, অচৌবা ৱাথোক অমা মালেমগী।

**মতম মতমগী ৱাখল**

# চীংদা তম্পাক্কী মৈতৈনা খুন্দাবা !

মণিপুর, অসি নিংথৌ পাল্লিঙৈদগীসু চীংগী মচি মচিদা, তম্পাক্কী মচি মচিদা কাঙলুপশিংগী মরক্তা অমগা অমগা মূক্ন বা, লমগী ঙমখৈগী, চিঞ্জাক্কী, শারম-ঙারম থিবগী লাল মচা মচা মশীং খঙদনা শোক্ন রকখিবা লমদমনি। মমাংথক্তা পানখিবা নিংথৌশিংনা হৈ-শিংনা লৈঙাক্তুনা মতম মতমগী ৱায়েন পথাপ্না কাঙলুপ মশেল নুংশি চান্ননা মখা তানা লৈমিন্নহল্লকখি। ঙসি ফাওবা পূন্না খূন্দা লৈতাদুনা ‘অপূনবা মৈত্রবাক মনিপুর’ হায়বা লমদম অমা শেমগৎতুনা লৈরক্লি। লৈপাক খুন্নাই অমগী পুৱারী, হিষ্ট্রি, ইতিহাস হায়বসি লানবা য়াদে। শেমজিন-শাজিন্দুনা ইবসু য়াদে । শেমজিন শাজিনবা ইতিহাসতি হেক্তা খঙনরকই। মণিপুরগী ঙসি ওইরিবা মশক (মেপ্তা উরিবা) পাক চাওবা অসিদগী শরুক য়াম্না হেল্লম্মী হায়বসি ঐখোয় খক্লা হায়বা নত্তনা, সাহেবশিং পাল্লিঙৈগী মতমদা মখোয়না ইদুনা থমলমখিবা রেকোর্দশিংদগী হৌজিকসু ফংলি। হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী পাক চাওবা, ঙমখৈ অসি ঙল্লিঙৈগী মতমগা য়েংনরুরবদি চাওরম্বা লমশিংদগী শরুক য়াম্না হেন্না পীকশিল্লবনি। ঐখোয়না চেকশিলহৌদবদগী লম য়াম্না মাঙখ্রে । লমদম অসিনা মীশিং য়ামদ্রিঙৈ, লৈজরিবা খর অসিনা পেন্থোক্লিঙৈদদি পংয়া য়ারম্মী । থেংথরকপা মতমদা, নিংথৌ খুভমগী কল্লক্লুদুনা মূন্নরিঙৈ, সাহেবশিংনা হাইজিল্লক্তুনা লমদমসিগী লৈঙাকলোন্দা খুৎ থিংজিল্লকপদগী মণিপুরগী হান্নগী লৈজরম্বা লৈঙাকলোন, পূন্সি মহীং অমদি খুন্দামিন্নরিবা মীওইশিংগী মরক্তা কাঙলুপ খায়রকপা, লম ফাওবা চীংগী শরুক অমদি তম্পাক্কী লৈতেম মান্নবা মফম হায়না খায়রকখিবদগী চাওনা অকায়বা লৈখি। মসি ঐখোয়না ফনা খল্লুবদগীনি । তম্পাক হায়রিবসি চীংগী মফমদা লৈতেম মান্নবা শরুক খরতবু হায়বনি। চীংগী মনুংদা লৈবা তম্পাক্লি। ঐখোয়না লান্না ৱাহন্থোক অমদা লৌনখিবগুম উই।

মী অয়াম্বনা ঐখোয়গী হিষ্ট্রি, হৌরকখিবা পুৱারী অসি খঙনবা নৈনগন্দে। হিষ্ট্রি, সবজেক্ট অমা ওইনা অদুম থম্মী। মসিদি মীপূম খূদিংমক্লা তঙাই ফদনা হৌজিক্তি খঙবা মরু ওই। নুংতিগী ফোঙবা চেপাউপাবগুম নোংমগী ঐখোয়গী লমদমসিগী পুৱারী, হিষ্ট্রি অসি খজিক খজিক্তা ওইরবসু পাবা, খঙনবা হোৎনবদা কান্নগনি । লমদমসিগী হিষ্টোরিয়ানশিং, ওজাশিংনা পুৱারীশিংবু মহৈ শঙশিং, স্কুল কলেজশিংদা রিফ্রেসর্স কোর্সশিং তোয়না তৌহনবা মথৌ তারে। তঙাই ফদনা নৌনা হৌরিবা নেসেনেল এদুকেসনগী পোলিসিদা (এন.ই.পি) ঐখোয়গী ইতিহাস, পুৱারী অমদি নাৎকী মশকশিং অসি শরুক য়াম্না হাপ্লগা তমহন্নবা হোৎনহন্নীংঙি। ঐখোয়গী হিষ্ট্রি খঙবদা, লমদমসিগী জিওগ্রাফি লম্মীৎলোন, য়েলহৌমী, চীং পাৎ তুরেল, লমগী ঙমখৈ, তৌবা ঙম্বা, লৈঙাকলোন্নচিংবা শুনবা খঙবা ঙম্মী। অতৈ হীরম, সবজেক্টশিং তম্বগা লোয়ননা ইতিহাস পুৱারী অমদি নাৎকী ওইবা হীরমশিং অসি শরুক চাউনা শোয়দনা য়াওরগদি মহৈরোয়শিংনা ইরৈবাক ইরমদম খঙবগা লোয়ননা, লৈপাক নুংশিবা, লৈপাক্কীদমক অফবা থবক তৌনীংবা হেনগৎলক্কনি থাজৈ। মসি অনৌবা এদুকেসন পোলিসি অমা ওইনা য়াওহনবদা কান্নগনি খল্লি ।

হৌখিবা থা অনী হেনবসি করিগীনো খঙদে পূক্লিং ৱাখলসি অদুম ইৱাং লাংলগা লৈরি। খোয়শাওনৈ, তাইনফম খঙদে। মৈ থাদোকপিখ্রবা, য়ূম্ফম মাঙখ্রবা কনা লৈরম্মী খঙদ্রবা, মৈনা পূমতুম তুমখ্রবা মফমশিং উরুবদা ইশাসি লৈতাফম খঙদে। রিলিফ কেম্পশিংদা লাঞ্জেন্নরিবশিংনা, য়ূমদা হন্নীংবগী, শূফম নোম্ফম খঙদবগী, অঙাংশিং লাইরিক তম্বা ফংদবগী, অনা অয়েক্কী, তৌফম খঙদনা উংলগা লৈহৌরিবশিং উরকপদা অমুক্লা খোয়রাংবা হেল্লি। লৈপাক মখাদা থারগা তুমহৌরিবশিং উরগা ঐনা করিগী কাংথোল, হিদান মথক্তা তুল্লিবনো খনবদা তূম্বা য়াদে। কুকি মীচমশিংগীসু তম্পাক্কী মৈতৈশিংনা নংলিবা অৱা-অনা অসিগুম্না নংলম্বা য়াই। কুকি মী ফত্তবা খরনা মখোয়গী মীচমশিংবু কয়াদা ৱাহল্লিবনো ? মীচমশিংসু খঙলম্বদি য়াই অদুবু কিজবদগী হায়বা ঙমজদনা মীফত্ত মখোয়না হায়বদা ইন্দবা য়াদবগী ইনখিবসু ওইরমগনি। তম্পাক্লা অসুক ৱারবদা চীংদনা হেন্না ৱারমগনি। মিজোরাম্না, ম্যানমারনা কয়াম কুইনা চুরাচান্দপুরগী লাঞ্জেন্নরিবশিংদা মতেং পাংলক্কদগে মসি মখোয় খনফম থোকপনি।

লান শোক্লবা হায়বদু ইমিৎসিনা নোংমৈ কাপ্লরিবা মফম খরা-ফয়েং, শঙাইথেল, তাইরেল পোকপী, খুরখুল, কৌত্রুক, সেনজম চিরাংদা উরুরে। মতেং পাংবা য়াওরুখি। ৱাংঙু শুগুনু, কুম্বী, তোর্বুং, মোইরাংদা লাঞ্জেল্লক্লিবশিংগী ফিভম উবদা নুংঙাইতে। য়ুম-ইঙ্খোল নুংশিদবা তাইবঙ কনা লৈরমগদগে? পোকপদা য়াওরকপা খোইরি চফুন্দা হাপ্লগা য়ূমগী য়েনখাদা ফুম্বগী চৎনবী লৈরিবা ঐখোয় মৈতৈশিংনি। খোইরি লিনশাং তাখিবা ঐগী য়ূমদা হন্নিংবা, চৎনীংবা হায়বসিদি মহৌশানি। মৈতৈশিংদি য়ূম থাদোক্লগা চৎপা হৈনদে। চৎনীংলক্তে মসিমক্লসু মৈতৈশিংনা খুন্দাবদা পাকথোক চাউথোক্তবনি খল্লি। লম অচিনবা মফমদা লৈরবসু ইপা ইপুনা থম্বীরম্বনি হায়দুনা য়ান-য়ানবা অদুম লৈশিন্নরকখিবগী হৈনবী লৈ। কনাগুম্বা মচিন মনাও য়ামজবা মীওই খরদি, ইঙ্খোল পীকপদগী মফম হোংদোক্লখিবা হৌজিক্কী মতমদা খরদি তৌনরবসু মীওই খরতগীনি। ঐখোয়না চাইথোক্লা চীংয়া তময়াদা হেন্না খুন্দাবগী হৈনবী লৈরম্লগদি মীতোপ্পা চঙশিল্লক্লগা খূন্দারিবসি ঙমলমলোই। চীংগী মীশিং অমদি খুঙ্গংগী মী অয়াম্বা শেন খর পায়রবা, থবক ইনখাং তৌনবা ওইরগদি তম্পাক্কী মফম ইম্ফালদা হাইগৎলগা লম লৈদুনা লৈনীংঙি। ইম্ফালদা লৈবনা চাউখৎপা মফমদা লৈবনি নুংঙাইবনি খন্নে। লৈঙাক্লসু ইম্ফাল খক্তদা সিটি, টাউন হেন্না শেমগৎপগী মহুৎতা ইম্ফালগী কাচিন কোয়াশিংদা মরু ওইবা ডিপার্টমেন্টশিং, কলেজশিং, য়ুনিভর্সিটিশিং নৌনা থম্বীদুনা অমদি অতৈ চাউখৎ থৌরাংশিং মতম চানা লৌখৎপীরগদি লমদমসিগী মীশিং চীং অমদি খুঙ্গং হায়বা থিদনা পাক শন্না, নুংঙাইনা খুন্দারমগনি। ঐখোয়না তম্পাক খক্তমক হেন্না নুংঙাইনা খল্লিঙৈদা মীতোপ কুকিশিংনা চীংদা পাকশন্না খুন্দারমদুনা মথোল মথোলগী ব্যুল্ডিং শারম্বা, মখোয়গী খুল অমগা খুল অমগা ফাওনবা লম্বী ফাওবা শেমলমদুনা তম্পাক ফাওবা লৌশিন্নবা তৌরমলিবসি ঐখোয় হন্দক্কী থৌদোক অসিদা মীৎনা উরবনি।



লুংগি শেৎপা নার্কো টেৰোরিষ্ট

চীংদা নুংশিৎ নুংশা শেংলবা মফমদা অনা-লায়েংশঙ মরাং কাইনা শাগৎপা য়াবা, য়েংবদা ফজবা মফম কয়া লৈরম্মী। সম্মার্ট সিটি হায়বদু চীংদা শেম্বীবা য়াবা ফজরবা মফম কয়া লৈরি। টুরিষ্ট স্পোট ওইবা য়াবা ৱাটরফোলশিং, হোম-ষ্টে শেম্বা য়াবা অমত্তা শেম্নবা ৱাখল তৌরমদ্রে। অসিগুম্বা কয়া অসি হেন্না শেমগৎলগদি তম্পাক্তা লৈনীংলিবা মীশিং চীংদা লেঙদনা অদুম লৈনীংগনি। ‘গো টু হিল’ হায়বসি ফজবা থৌরাংনি, মিংথোননি অদুবু ঙল্লিঙৈদগী শোয়রকপা কয়ানা অনৌবা চীংদা থৌরাং তৌবদা খুরৌ থাংবা ঙাক্তা থেংনবা ‘গো টু হিল’ গী কান্নফম খঙদবসি লাইবক থিবনি। চীং চাউখৎহনসি হায়রবদি ঐখোয় চীংদা লৈবগী হৈনবী থম্বা তাই। মৈতৈনা চীংদা লৈনীংদবা নত্তে। মৈতৈনা চীংদা খুন্দা লৈতানবগী অয়াবা হক পীবীখিবদগীনি। চীং নুংশিবদি তম্পাক্কী মৈতৈশিংনি। মৈতৈ নিংথৌ ভগ্যচন্দ্র, লংথবানগী চীংদা পানখিবা নিংথৌনি। মখা তানা মৈতৈনা চীংদা খুন্দাবা য়ারল্লগদি চীংদি অমুক্লা হেন্না ফজরমগনি, মহৌশাগী ফিভমদসু অকায়বা লৈরমলোই। তম্পাক্তা লৈরগসু চীংবু হৌরকফম্নি হায়না নীংজবতা নৎতনা খুভম য়াদুনা লাই হরাউ থৌরম পাংথোক্লরিবনি। ফয়েং, সেকমাই, খুরখুল, লৈত্রাম, কৌত্রুক, অন্দ্রোনচিংবশিংনা অৱাং মাইকৈদা উমংলাই হরাউনরিবা অসি কৌব্রুনি। শেংলবা ঐখোয়গী ইপা ইপুগী হৌরকফম ওইরিবা কৌব্রু চীংদা মৈতৈনা মখা তানা খুন্দারমদবসিনা অকায়বা ওইরকখিবনি। হৈঙাংদা মার্জিং, লম্ফেলগী লাঙ্গোল নিংথৌ, লাঙ্গোল লাইরেম্বী, নোংপোক্তা সেলোই লংমাইচীং, মোইরাং মাইকৈদা থাংচীং অমদি অতৈ চীংগী মফমশিংদা লাৎনরিবা খুরুম্নরিবশিং অসি চীং ঙাক্তনি। ঐখোয় চীংদগী হৌরকপা চীংমীনি হায়বসি উমংলাই হরাউরিবা থৌরমশিং অসিনসু তাকলিবনি। ঐখোয়গী শোয়খিবা হায়ববু চীংদা খুন্দাহনখিদবা অসিনি। মণিপুর অপূনবা অসিমক চীংগী লম্নি । পৃথিবী মতূম তায়, মতূম তাবা পৃথিবীদা ঐখোয়না লৈরিবসি অপাকপদা লৈবনি হায়না খল্লি । চাউনা মতূম তাখিবনা খল্লুদবনি। মতৌ অসুম্না চীংগী লমদম মণিপুরদা ঐখোয়না লৈরি হায়বসি কাওথোকপনি। মণিপুর অসি চীংগী লমনি সমুদ্রগী লৈমায়দগী য়েংলগদি অৱাংবা মফম্নি। ঐখোয় চীংমী অদুম ওইরি। চীংমী ওইরিবা, চীংদগী হৌরকপা ঐখোয়না ইশাগী চীংদা অমুক লৈবা য়াদবা, খুন্দাবা য়াহন্দবা হায়বসি ঐখোয়গী লৈঙাকলোনগী ঙল্লিঙৈদগী পোলিসি শোয়বদগীনি। তম্পাক্তা খুন্দারিবা য়েলহৌমী ওইরিবা মৈতৈনা চীংদা খুন্দাবা য়ারবতদা য়েলহৌমী ওইরিবা লমদমসিগী চীংমী-তম্মী অনীমক হেন্না নুংশিনবসু অমত্তা ওইবসু হেনগৎলক্কনি। অমত্তা ওইনা চীংদা খুন্দামীন্নরবতদা চাউখৎপগী থাক হেনগৎলক্কনি। মীতোপ চঙলক্তুনা লৈবসু ঙমলমলোই। তম্পাক্কী মৈতৈনা চীংদা খুন্দাবা য়াহনগদবনি। মৈতৈনা চীংদা খুন্দাবা য়াহনদ্রিমখৈ ঐখোয়না পাল্লিবা চীংদা চাউখৎপা অসি লৈখিরোই।

উ-ৱা, পাম্বী থাবগী চৎনবী লৈরকপা, ৱারোল, উরোল, লিরোল, উয়ানলোন খঙবা তম্পাক্কী মৈতৈ খক্তনি। ৱাখোং শেংদোকপা, তেবী তেশাৱাগী থৌরম পাংথোকপা, উ-ৱা য়ানবদা নুমিৎ থা য়েংজবদি তম্পাক্কী মৈতৈনি। চীংবু নুংশিজবা চীংগী মরমদা চীংগোইরোল লাইরিক ফাওবা ইদুনা থম্বীরম্বা ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনি। চীংবু নুংশিরুবা, চীংবু চাউখৎনবা হোৎনরুবদগী চীংগী মরমদা খঙদবা, চীংবু নুংশিদবা মীতোপ্পা খুন্দারকপনা ঐখোয়দা লোইরং শীংখোং ওইবনি। হৌজিক্তি চীং মাঙহনবা, উমং কোকথোকপা, অরানবা তৌবশিংগী য়ুমলিং কৈরিংফম ওইহনবা মীশক খঙলবনিনা মখোয়বু তকথোকখিবা, লৈহন্দবা হায়বসিনা অহানবা খোংথাং ওইগদবনি। অথুবদা, তুং কোইগদবা চীংগী লমদা চৎনগদবা পোলিসি শেম্বা, চীংদা তম্পাক্কী মৈতৈশিংনা খুন্দাবা য়াহন্নবা এম এল আর এক্ট শেমদোকপা, এন আর সি চৎনবা, ড্রগ ললোনবশিং চীং তম অনীমক্তা মরু ফংনা মুৎথৎনবা পুকচেল শেংনা হোৎনবীবা অসি খুদক্তগী থবক ওইনা মরী লৈনবশিংনা পায়খৎপীবা তাই। অসিগুম্বা থবক অসি পায়খৎনবা থৌরাং ‘গো টু হিল’ হায়বসি ওইরম্লগদি লৈঙাক্কী থৌরাং অসি চুম্লমগনি। এম এল এ, মন্ত্রি ওইনবা হোৎনরিবশিং অসি থিকা তৌহৌনবগী, মরন্নাই চেঙগী গুদাউন শাদুনা লৌশিলনহৌবগী, লম লৈশিনহৌনবগী, থবক হাপতোক হাপচিন, শেন চাহৌনবগীখক্কীনি হায়না মীয়াম্না হায়নরিবা থাজনদনা ঙাঙনরিবসি তাবদা নুংঙাইজদে। লৈপাক্কী খন্না অচুম্বা অশেংবা তৌজবা মীবুসু চেন্থহল্লি । লৈপাক্কী অমদি তুংগী খল্লগা, মাঙখিবা য়াবগী অকীবা ওইরিবা ঙমখৈ অমদি য়েলহৌমীশিংগী খঞ্জবা অশেংবা এম এল এ, মন্ত্রি লৈহঞ্জনীংঙি। চীং কনসি, তম্পাক্কী য়েলহৌমী খূদিংমক চীংদা চপ মান্ননা খুন্দাবা য়াহন্নবগী আইন শেমদুনা চৎনহনসি । অপূনবগী ওইবা মান্নবা ৱাখলদা পোরম য়াৎতুনা অপূনবা মণিপুর শেল্লসি। মীতোপ্তি খোঙ্গুল তাহন্দনবা হোৎনসি । হন্দক থোক্লিবা থৌদোক অসিদগী অচৌবা পারা অমদি ঐখোয় তমশিনহৌরবনিনা থবক্তা অথুবদা লৈঙাক্লা ওন্থোকপীয়ু । - ***মাখোনমনি মোংসাবা***

**ৱারী ককনাউ**

# অকংবা অঙাংবা গুলাপ -২২

“হো তাবিরিবরো?”

“কৈদৌরে, য়াম নুংশিনা কৌরকইদা, কৈনোমা হায়দৌ মাল্লিদা” ঐনা কোচি হাইরপ কোৎলগা খুল্লুই।

“হো হায়দৌরিয়ে হায়দৌরিয়ে, শাবী ইবুংঙো নুংশিবা...” হন্দক্কী মেমীগী খোন্দাসিদি ফাগিমক ওইরসু ঐ তনবা অমা য়াওরে। নহানখৈগা মান্নদবা লোন অরিবা খরা নপশিল্লকপদুদা ঐদি ইঙকপু ঙক্লে। পূক্লিংদা খল্লিকো,

“মাগীসিবু করি হায়দৌরিজাৎনোনে। শাওরমদাই, নোং মংখৎপদৌনা মংখৎলিরা নৎত্রগা নোং চুরমদাই নোংথাং কুপ্লিজাৎলা?”

অসুম্না খল্লিঙৈ তাঞ্জাদুদা মেমীদি ঐগী মাঙদা চপ লেপ্তুনা লৈরম্মজাৎনি। ঐ মাগী মখোঙদু হান্না উরকই। ইশাসি খরা নীংজিং মাংজিংনৈ, কৈবু তৌদৌরজাৎনো হায়দনা। মেমীনবু খোনসি হেক মনৌথরক্লবদা, কৈনোমা লৈরবনি হায়বসি য়ূম পানমিন্নদুনা ইচা পোক্তুনা ক্লাস ত্রেলভ তম্লবনিনা ঐসু চাওরাকপা অমা, চাওরাকপবু নত্তেদা, ফজনা খঙলে হায়বা তারে। ঐগী ওইথংবা থবাকলোমদা লৈরিবা থম্মোয় মচাসিগী করম্বা মফমদগী হৌরকপা মীহুন্নো খঙদে, ইশা ইতোমতা থম্মোয়দা চোংবা মীহুলগী মখোন তাবা হৌরকই, দঙ...দঙ...দঙ... ঐগী মীৎসি মাগী মমায়রোমদা মুভি কেমেরানা তপ্না তপ্না রিদম অম নাইনা tilt up তৌবগা মান্ননা সর-সর হাইগৎলুবদা, মশা তঙ্খাই চল্লকপদা, মখাংদু মখূৎ অনীদুনা হাইরপ মেৎলগা পৈরপ লেপ্পদৌনা উই, লেপ্তুনা মমায় তান্না মীৎসি হাইগৎলুবদা মেমীদু নোকফেৎ-নোকফেৎ তৌরগা ঐবু মুন্না য়েংলগা চপ লেপ্তুনা লৈরম্মে। মেমীগী মমায়দু য়েংনা য়েংনা ৱাখলসিনা য়াম থুনা কৈনোমা খল্লকই,

“ভালো ঙসিদি ঈৱাং অমা লৈরেদনা”। ঐনা ঙমজবী থাক্তা ঈংথরগা মেমীনা পেঞ্জনবা মওংদা খোনগসি মেংলপ্না হংলুই-

“করি তৌরে হায়বনো?”

“ৱা অমত্তা হঙ্গৎচগে তৌজবদো?”

“ৱাদুবু করিনো?”

“থাংলেন মাঞ্জা পাম্মুবা, ননাও ওইবীনা ইমুংসিগী ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইরিবনিনা অথুবদা শীজিন্ননবা শেনফম খজিক্তং ফিগাও শানা নীজগে তৌজবদো”

“অশ! চুম্না হায়বা য়াদ্রো, কৈনো ৱাতাদুবো?”

“সিদৈ হেন্না ফজবা ৱাতাসিবু অতৈ করি লৈরিবগেনে, মীগী মচা পাম্মুবা” হায়রগা মেমীদু ঐগী নাক্তা ঙেক লাওনা হেক ফমথরক্লগা, ঐগী লেংজুমসিদা মখদাংদু শৌরগা কোয়রাওনবী মমীৎতুনা ঐবু চিংনা য়েংলগা ঐগী পাউখুম ঙাইদুনা লৈরি। ঐ মেমীগী মতৌদুদা নোক্লিংবসু ফাওই, অদুবু মানা হায়রিদু করিগীনো, কয়া য়াম্বা শেনফমনো হায়বা খঙদবনিনা ইশাসি মেন-মান অমদি তাবা ঙমদ্রি। মেমীগীসি শাওগে তৌবমক্তি ওইরমদৌ মান্দ্রে খনবদগী ওইগদ্রা থম্মোয়দা মখোল হৌনা-হৌনা চোংবগী মীহুল মখোলদুমদি খরা হন্থখ্রে হায়ববু নোক্লিংবগী ফুং লাওনা ফাওগৎলক্লিবা মীহুল অদু ফাথরগা য়েংলক্লিবা মাগী মীৎয়েংদুগা ঐগী মীৎয়েংদুনা মীৎচান্নরগা মখা চথরুই।

“করিদা শীজিন্নগদবা ইমর্জেন্সিনো? চংগদবা শেনফমনা কয়ানো? কয়ামুক য়াম্না থুরবনো?”

অওইবা, ইচিন থী হায়নি, থম্মোয়গী মরীনবু শমজিনখ্রদি মীশিংসে মতা অমা তৌরকপজ াৎনিকো। ঐনা উইথরপ তৌবা মীৎয়েংদুগা লোয়ননা মেমীদা মেংনা হংখিবা ৱাহংগী পাউখুমদু পীরমদাইদুদা, মখোল হায়রপ থোক্লা চিনবান চিকশিল্লগা নোকপা “হুম...হুম...হুম....” হায়না মীনোক্লরগা মখূৎ য়েৎ থংবদুনা ঐগী পাম্বোমসিদা থোক লাওনা কোৎশিল্লগা, হান্নগী মীৎয়েংদুদি হোংদনা হায়খিবদু ওইরে ঐনা লৌশিংগা পুন্মাং মাঙখ্রিসে,

“ইচা মীং চন্নবনি কৈনো?”

“কৈ ৱানোনে, ইবুংঙোগী মীংদি চনখিবা কুইদ্রিদাইনে”

“ইবুংঙো মচাগীনে”

মাগী ৱাহৈদুদা ঐ ৱাখলসি মেন তারকই। ইবুংঙো মচা হায়সি থোইবীগী মচাদুনি। মেমীনগা মেংথবনে, থোইবীগী মচাগীগা ওইরে, ঐনা কমাইনা ফুরিৎখাও য়েৎতুম্না ফোৎচিন্দুনা লৈদুইনো?

“কয়ানোনে?”

“লিশীং ৫০ মুক্কী ময়াদা চঙদৌ মাল্লি। মফি মরোল, লাইরিক লাইসু, খোগোপ্পা পুল্লগা? ঐঙোন্দা খরবুদি লৈরে, ৩০ মুক্তা হাপ্পীয়ুবা”

“কৈদৌঙৈগী ৱানোনে?”

“ঙসিগীনে, ঙসিগী নত্তে, হৌজিক্কীনে”

“হোয়-হোয়-হোয়...” ঐসু হরাও হরাও থোক হেক য়াথোক্লুরে। অদুদদি মেমীসু ফুক লাওনা হৌগৎলগা, চা শেমজরক্লে হায়রগা খজাইসিদা মখূৎ অমোনবদুনা হায়ফেৎ শিৎক্লল্লগা নোকফেৎ তৌনা হেক থেক্তনা চৎখিবু ঐ ইশাসি পুমপং পংথরগা য়েং লৈহৌই। পূক্লিংদদি করিনো হায়ফম খঙদবা অপেনবা অমা ফাওরিবনি। ঐনা থোইবীগীদমক লৈশারিঙৈ মতমদসু য়াম্না ৱাজরকখি। নোং নুংশিৎ খিত্তং কন্না শিল্লকপদা মাবু কিরমগদ্রা খঞ্জখি। নুংশা শারকপদা মাবু পথুরমগদ্রা ৱাজখিবনি। অদুগদি কাইনখ্রে, মাসু ময়ূম পানথোকখ্রে। খরা লৈরগা মাগী নুপাদুনা নুপী অমা লৌরগা য়াওং ইনখ্রবা মতুংদা নোংমা লান্ন-থৌরম মফম অমদা থেংনবদগী অমুক লাপ্নরম্বা থম্মোয় অনী শৌজিন্নখিবনি। মদুদগী ঐনা মাগীদমক তপ তাখৈ ৱাজখি। ইথৌমক ওইনা মাবু চারমগদ্রা, থক্লমগদ্রা, কৈদৌরমগদগে হায়না ৱাখল মখল-মখল খনবদগী নোংমদা চাক চারবরা হায়বসিদংদা হংবদা তরানিথোইরক্লুম্বা শুরমগনি। অকোনবদদি হংমন্দনা ইকায়রকখিবনি। ঐনা মতেং ফনা ফজনা পাংখি। অদুদৈ অমুক মেমীনা ফারে, মেমীনা শাওরে, তপ তাখৈ শাওরগা থোইবীগী মশম ফোইরুনি হায়না ময়ূমদা চৎলুরে, থোইবীগী ৱারী তারুবদগী মানা অমুক খঙনৌ নৌথোরক্তনা মানা ওইনা মতেং মনম-মনম পাংশিল্লুরে। হৌজিক্তি থোইবীনসু ঐবু থৌওইবিদ্রে। মেমীগা ওইনা তিন্নশিনখ্রে। ঐনা মীতোপ তাহৌরে। অদুবু থম্মোয়সিদা পেল্লি মেমীগী মীনুংশিগী থৌজাল অদু উবদা। ঐ ফুক হৌগৎলগা ফিয়ানখোক্তা য়াল্লিবা খোংগ্রাওদগী লুপা লিশীং ৩০ পীয়ু হায়বদু ৫০ লৌথোক্লগা মেমীনা চা পুথোরকপদা পীরগে হায়দুনা খূৎতা পায়দুনা ঙাইদুনা লৈরি।

**-নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অহবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।